থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

ইশানা ইশা ওইবা তমসি, অতোপ্পা মী ওইগুমসি



ঙসিগী থম্মোয় পাউদমগী মিংথোল ওইরিবা ৱাহৈসি তাবা নুংঙাইবীদবরা? ঐ খঙই - হেক তাবদা নুংঙাইরোই। হায়রক্কনি - ঐনা ঐ ওইদনা অতোপ্পা কনা ওইরুনি? অসিগুম্বা মচেক্লা য়েবা হায়গদ্রা, হায়নদবা ৱা অদু হায়দনা ফুমদুনা থম্বা ৱাঙাঙ, ইংলিশতা হায়রগা ফিলোজোফিকল ওইবা ৱাঙাঙসি ঙসিগী মীরোলসিনদি কয়া পাম্ন খিদ্রবনি। ফিলোজোফি হায়বা সবজেকসি হৌরক্লিবা মীরোলসিদা চন্নদ্রবা, স্কুল-কোলেজ য়ুনিভর্সিটিনচিংবদসু তম্বীনবা মহৈরোয় লৈত্রবা সবজেক্ট অমা ওইরক্লে। হান্নদগীসু সবজেক্টসিদা মাষ্টর দিগ্রী পায়রুবা, ওজাগী শিনফম নত্তনা অতোপ্পদা চন্নদে। ফিলোজোফিগী ওজাশিংবু অঙাওবগী মিহুল চেনবা মী ওইনা ঙাঙনরকপা - অঙাং ওইরিবৈদেগী তারকই। ঐখোয়' মতমদুদগী ঙসি ফাওবগী মীরোলদা 'ঐহাক ফিলোজোফি তমগনি' হায়বা মহৈরোয়, অমা ফাওবা থেংনরকখিদে। ঙসিগী মমা মপানসু মচাবু ফিলোজোফর ওইহনগে হায়বা ৱাখল কৈদৌঙৈদা খল্লম্লোই। ঐদি খল্লি - কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিন- চিংবদসু সবজেক্ট অসিগী ফেকল্টি, খরা লৈরগদি মুখৎখিবা য়াই। হৌজিক্তি, ইচম চম্বা, ইরায় লায়বা, খঙবদা লায়বা লোল অমদি ৱাহৈ (লুসিদ লেঙ্গুয়েজ) শিজিন্নদুনা ইবা অমদি ঙাঙবা চৎনবী ওইরক্লবনি।

ঙসি-ঙরাং-নহানসি ইতৎ তত্তনা ৱাখল অসি লম্মুক্লে। উন্নফম লৈতবা, মফাং-মফাংনবা ৱাখল ঈচেল কয়াদা তাউথরকই। হায়গদবনা করি, হায়রোইদবনা করম্বা? খনফম খঙদে। অসিগুম্বা তানফমসি অৱাবগী মশক্লি। অসিগুম্বা অৱাবা তানফমসি খ্বাইদগী তোয়না মায়োক্লবা কাঙবুনি - অইবা, কলাকার, এঞ্জিনিয়র অমদি অতৈ প্রোফেস্নেলশিং। মখোয়না মশা খঙদ' নুংতিগী লান্থেঙনৈ - মশাবু মশক খঙজনবা। অমেরিকাগী অইবা/কবি/লাইয়েকপা কলাকার 'এদৱার্দ এষ্টলিং কুম্মিংস'না হায়, 'অতোপ্পা কলা অমা ওইনবা হোৎনবা নত্তবা, মহাক মশামক ওইনবা হোৎনবা হায়বসি, মীওইবা খুদিংমক্লা মপূন্সিদা থেংনরিবা লানফম পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী লুবা লানফমনি।' কুম্মিংস'না মীওইবগী পূক্নিং অমদি লমচৎপু মনুং হুৎনা য়েংননবা হোৎনখি। মহাক্লা উখি ... মীওইবা খুদিংমক, অয়াম্বনা, মশাগী মতিক-মগুণ মশক খঙজবা ঙমদনা পূন্সি পীখম্নখি... মশাবু মশক খঙজনবা হোৎনবা নত্তবা, অতোপ্পবু মশক খঙননবা হোৎনবদা পূন্সি চুপ্পা অরেম্বদা মাঙহল্লি। মশাবু মশক খঙজনবা কন্না হোৎনখিবা শক্লাইবা মীশক অনীখক্তি 'অলবর্ত আইনষ্টাইন' অমদি 'ৱিন্দষ্টন চর্চিল'গী মিং অসিনি ঐনা কাউঙমজদবা। মরম? মখোয় অনীনা হায়রম্বা মান্নবা ৱাহৈ অনীখক লৈ... 'মী খুদিংমক লাইপোক অমমম ঙাক্তনি, অদুবু, ঈশিংদা লৈবা ঙা অমা উ কাবা ঙমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা থাজরগদি, ৱাহৈ অসি হায়রুবসিমক অপঙবনি'... (আইনষ্টাইন')। ...'মী খুদিংমক পোকপদা লাইপোক ওইনা পোক্লকই, অদুবু লুরিবদি, মশাদা য়াওজরিবা লাইপোক্কী গুণ অদুদি মশানা শক্তাকচবা ঙমজদে, মগুণ অদু খঙজরকপা মতমদদি হেদো নাহে চনবা, পূন্সিগী অরোয়বা মীকুপ য়ৌরম্মী ...(চর্চিল)।

অসুম্না, পূন্সি নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লবা, পূন্সিসিনা পূন্সিগীদমক করিমত্তা তৌবা ঙম্লরোইদবা মতমদুদা খঙলকই মীওইবনা...'মহাক্লা তৌরমগদবা থবক্তি অতোপ্পা অমনি, তৌরোইদবা থবক্তু তৌদুনা পূন্সিসিমা মাঙহনখ্রে।' পূন্সিসিনা ঐখোয়দা পীখিবা খুদোংচাবশিং, ঐখোয় অমত্তসু লৌহৌদে। খুদোংচাবদু নাম্থোকখ্রব'তুং লাইবক খুত্তুম' সুহৌই। তাথীরবা লাইবক্তুগীদমক নিন্দা তৌই ইমা-ইপাদা। ঐনা অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ, মথোৎ কারক স্কুল-কোলেজ তম্লকঙৈ, লাইগুম্বা ইমা-ইপাদগী, ওজা-গুরুশিংদগী তানশিনখিবা লৌশিং-পুক্কে... নিউতন, এদিসন'না হেনবা নত্তে। শোয়খিবনি ঐননি। ঐবু শোয়হনখিবনি - পারি পুরিগী হাক্তক্তগী চত্থরকপা চৎনবীনা। মদুদি করি? ঐবু ঐ ওইহন্দবা, অতোপ্পা কনাগুম্বা অমা ওইননবা হোৎনহনখিবা। ঐখোয়না মায় পাকপা মী ওইবা ঙমখিদবগী মরু ওইবা মরমদি ঐখোয় ইশানা ইশা ওইনবা হোৎনখিদবা অসিনি। ওইফম থোক্তবা কনাগুম্বা অমা ওইনবা মীওইবা খুদিংমক্তা অঙকপা প্রেসর পী, মহাক মশাগী নত্তবা মমা-মপাগী নৎত্রগা অতোপ্পা কনাগুম্বগী নিংবা থুংনবা হোৎনৈ, মমা-মপাগী হায়বা ইনবা মরম ওকপা মচা নুপী নৎত্রগা নুপা, স্কুল-কোলেজ-য়ুনিভর্সিটিগী চাংয়েংদা মকোক ওইবা মখোয়বু কৌই মায় পাকপা মী। মী অমনা ওইফম থোকপা মশাদু ওইবদা মীওইবা খুন্নাইনা ঈকায়খুম্ন বীবগী চৎনবী মাঙখরে। ঐখোয় পুম্ন মক ইশানা ইশাবু কাউখরে।

হোল্লিৱুদ'ত মায় পাক্লবী ফেসন দিজাইনর, ফ্রেঞ্চ মচা 'কোকো চনেল', মতম পুম্নমক্তা হান্না চৎনরম্বা চৎনবী (কনভেন্সন) থুগায়বদা মমিং চৎখি। মহাক্লা হায়, 'য়েংবদা ফজনবগীদমক শেৎপদা নুংঙাইতবা, হৈনদবা ফিজোল শেৎলোইদবনি, অকে-অমৌ-ফেসন হায়বসি কমফোর্টেবল ওইগদবনি।' মহাক্লা শেত্তোক-চাথোরকপা ফিজোল'দ মীয়াম্না নোক্লফম ওইরম্মী। অদুবু, মহাক্লা 'মীগী করেম্না-ৱাহৈ' নোংমতা মনাদা হাপখিদে। 'ঐনা ফি শেৎলিবা নঙনা নুংঙাইনবা নত্তে, ঐহাক ইশা নুংঙাইনবনি'- মহাক্লা খুমখি।

মীগী মতৌ তম্বা নৎতবা, মশাগী ৱাখলদগী তশেং তশেং থোকখিবা শৈরেং, ৱারেং, দ্রামা, নোভেল, পোইন্টিং, দান্স, ম্যুজিক, দিজাইন অমদি অর্কিটেক্চর ... অসিনচিংবা পোথোক্তুবু কৌই ঐখোয়না 'ওরিজিনেল ৱার্ক'/ ওরিজিনেলিটি। অদুনা হায়রল্লিবনি অমেরিকান নোভেলিষ্ট 'হরমন মেলভিল্লে'ন ...'মীগী মতৌ তম্লগা মায় পাকপা মী ওইদৌ শরুক, ইশাগী অশেঙবা ওরিজিনেলিটিগা লোয়নজরগা মায়থীরবা মীশক অমা ওইবদুনা হেন্না ফৈ।

অদুবু ওরিজিনেলিটি হায়বা ৱাফমসিগী মতাংদা লৈ/লৈতে য়েৎনবগী মরৈ লেপ্পা লৈতে ঙসিসু। মতৌ তমদবা/হুরান্দবা মী কনা লৈবগে? 'সিনি কাঙবু অমগী মরৈ'ন। অফাওবা কবি টি এস ইল্লিয়ত'নফাওবা হায়রল্লিবনি ...'মেচ্যুর ওইদ্রিবা (মপুন ফাদ্রিবা) কবিনা মতৌ তম্লগা শৈরেং ই। মেচ্যুর ওইরবা (মমুন ফারবা) কবিনা হুরাল্লগা শৈরেং ই...।'

অদুনা ওরিজিনেলিটিকী ৱা ঙাঙনরকপদা, ঐনা খ্বাইদগী খোয়দাজবা ৱাহৈনি ...'ঐনা ইখিবা, তৌখিবা খুদিংমক্তা ওরিজিনেলিটি হায়বদু মচেৎ অমত্তা য়াওদে... ঐনা তৌজখিবা খরদু ঐনা পূন্সিদা থেংনরকখিবা ময়ামদুগা পুন্না হোৎনরকখিবগী মহয়নি...' (অমেরিকান নোভেলিষ্ট, চার্লস মাইকেল পালানিউক)।

লৌশিং পুক্কে

মীরোনবা ঙমদবগী মরুওইবা মরম



য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদারবা মতুংদা মমীৎতা মচা অমত্তা উবা ফঙদবা মতৈ-মনাউ কয়ামরুম লৈরি। নুপাবু ওইরবসু নুপীবু ওইরবসু ইচা অমত্তং ফঙজরবদি নোংদোল খুৎনা লাম্বা ফঙবমুক হরাওগনি খঞ্জবা কয়া কয়ানি।

মেদিকেল সাইন্সনা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ইন-ভিট্রো ফর্টিলাইজেসন (আই ভি এফ) গী মতেংনা অঙাং ওইহনবা ঙম্লবসু শেল চঙবা থৌওং ওইবনা লৈজদবা কয়াদি লাইবক্তা তম্লমদ্রে খন্দুনা নীংবা কায়বা পুন্সিমহিং অমদা হিংলিবনি।

অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদা খঙলকপা মতুং ইন্না নুপাগী স্পর্ম মপাঙ্গল শোল্লবদি অঙাং ওইহনবা ঙমদে হায়রি। স্পর্মগী মপাঙ্গল শোল্লবদি নুপা-নুপী য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নরবসু মমীৎতা মচা উবা ফঙদে। হীরম অসিগী মতাংদা চাইনাগী হার্বিন মেদিকেল য়ুনিভর্সিটিনা চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়,স্পর্মগী মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক তঙায়ফদনা তুম্বগী মতম নাইগদবনি। থেঙলবদা অহিং নোংয়াই মমাংদা তুম্নবা হোৎনগদবনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিছর্সরশিংনা হায়খি, নুমিদাংগী পুং ৮ দগীনা পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা তুম্বা মীওইশিংগী স্পর্ম মোবিলিটি খ্বাইদগী ফৈ। স্পর্ম মোবিলিটি হায়বসি স্পর্মনা ঈরোইদুনা চৎপা ঙম্বগী থৌওংবুনি। স্পর্মগী মোবিলিটি ফরিবমখৈ মরুম অমবু ফর্টিলাইজ তৌহনবা ঙম্বগী চাং ৱাংই। মদুনা মরম ওইরগা অঙাং ওইহনবা ঙম্মী। নাকল অমরোমদা য়াম্না থেঙনা নোংয়াই মতুংদা তুম্বা নুপাশিংগী স্পর্ম কাওন্ট হন্থরকই। স্পর্মশিং মথং-মথং শিখিবদগী তপ্না-তপ্না মশীং হন্থরকই। নোংমদা পুং ৬ নৎত্রগা মসিদগী হন্থনা তুম্বা তারবদি অমুক্তা হেন্না ফিভম শোকচিল্লকই। হেঞ্জিনবা মওংদা পুং ৯ দগী হেন্না তুম্লগসু চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

থেঙনা তুম্বা অমসুং মপুং ফানা পোত্থাদবা মীওইশিংদা এন্টি স্পর্ম এন্টিবোদিগী চাং ৱাংখৎলকই। হায়রিবা এন্টিবোদি অসি ইম্যুন সিষ্টেমনা থাদোরকপা প্রোটিন মখল অমনি। করিগুম্বা এন্টি স্পর্ম এন্টিবোদিগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি মশা-মউ ফবা স্পর্মশিং মাঙ তাকহল্লকই।

মমাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদা নোংমগী পুং ৬ খক তুম্বা নুপাশিংগী স্পর্ম কাউন্ট নেম্মী হায়বা খঙখ্রবনি। চাং নাইনা নুমিৎ খুদিংগী পুং ৮ তুম্বা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা পুং ৬ খক তুম্বা নুপাশিংগী স্পর্ম কাওন্ট চাদা ২৫ রোম হন্থে।

মশা-মউ ফবা নুপা ৯৮১ বু কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোক্লগা পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা, পুং ১০ দগী নোংয়াই ফাওবা অমসুং নোংয়াই মতুংদা তুমহন্দুনা চাংয়েং তৌবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। সাইন্টিষ্টশিংনা ষ্টদিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদুগী সিমেন সেম্পল লৌরগা চাং নাইনা স্পর্ম কাওন্ট, শেপ অমসুং মোটিলিটি য়েংশিল্লম্মী। মদুদা নুমিৎ খুদিংগী থেঙনা নোংয়াই মতুংদা তুম্বা অমসুং তুমশিৎ ফাদবা মীওইশিংগী স্পর্ম কাওন্ট হন্থরকই হায়বা খঙখি। হেঞ্জিনবা মওংদা নুমিৎ খুদিংগী পুং ৯ হেন্না তুম্বা তারবসু চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহায়রি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি মেদিকেল সাইন্স মোনিটর জর্নেলগী ওনলাইন ইদিশনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা হার্বার্দ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী রিছর্সরশিংনা চৎথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, হার অমসুং তীলহাৎ-হীদাক কা হেন্না য়াওবা উহৈ ৱাহৈ অমসুং মনা মশীং চাবা তারবদি স্পর্ম কাওন্ট হন্থরকপগা লোয়ননা স্পর্মগী মপাঙ্গল শোন্থরকই।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ন্যুট্রিশন এন্দ ইপিদমিওলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর জোর্জ চভারোনা হায়খি, উহৈ ৱাহৈ অমসুং মনা মশীংদা পক্তুনা লৈহৌবা তীলহাৎ হীদাক অমদি হারনা মীওইবগী রিপ্রদক্তিভ হেল্থতা অকায়বা থোকহন্দুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দে হায়বা খঙলকপা হন্দক্লা অহানবনি।

নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইনভাইরনমেন্টল হেল্থ সাইন্সেসনা শেল থাদরগা বোষ্টোনদা লৈবা ফর্টিলিটি সেন্টর অমদা মশা মউ ফবা নুপা ১৫৫ দা ষ্টদি চৎথরমই। মীওইশিং অদু কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমদা ফর্টিলাইজর অমসুং পেষ্টিসাইদ চাং ৱাংনা য়াওবা উহৈ ৱাহৈ অমদি মনা মশীং পীজদুনা য়েংবদা স্পর্ম কাওন্ট হন্থরকপগী থৌওং থেংনখি।

মৈখু শীজিন্নবনসু দি এন এ (দিওক্সিরাইবোজ ন্যুক্লিক এসিদ) দা অমাঙ অতা থোকহন্দুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দে হায়বা খঙলকখি। ব্রাজিলগী সাও পোলো য়ুনিভর্সিটিদা চৎথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংগী স্পর্মদা য়াওবা প্রোটিনদা অহোংবা কয়া থোরকপা মরম্না অঙাং ওইবা ঙমহন্দবনি।

অনৌবা ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না সাইকল থৌবা, খোঙনা চৎপা, তপ্না-তপ্না লমজেল চেনবা অমসুং হি হোনবনচিংবা ময়ায় ওইরপ চাংদা থা ৬ চুপ্না চয়োল খুদিংগী অহুম্লক নৎত্রগা মঙারক হকচাং শাজেল তৌরবদি স্পর্মগী মপাঙ্গল কনখৎলকই হায়রি।

ইরানগী উর্মিয়া য়ুনিভর্সিটিনা চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌদবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংগী স্পর্ম কাওন্ট, সিমেন ভোল্যুম, স্পর্ম মোটিলিটি, স্পর্ম সেল শেপ (মোর্ফোলোজি) অমসুং স্পর্ম কন্সেন্ট্রেসনগী চাং ৱাংই।

স্পর্মগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, তুম্বা অমদি য়াহৌবগী মতম নাইবা, হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহন্দবা অমসুং নুংঙাইবা ৱাখল খনবনি।

তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোম মঙাদা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক ব্লু ৱিঙসনা তেঙবাঙখ্রে

A Heart For Care And Giving
A Special Outing and Entertainment for the Children
21st May, 2017 At 8...
Venue: L. G. Rose Garden, Yurem...

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

ব্লুৱিঙস (এ পাৱর হাউস ওফ ফেসন এন্দ ইভেন্টস) না শীন্দুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংবু পুক্নিং থৌগৎনবা অমদি ৱাখল চাওথোকহন্নবগীদমক য়ুরেম্বমদা লৈবা এল জি রোজ গার্দেনদা অখন্নবা আউটতিং অমসুং ইন্টরর্টেটমেন্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা তেঙবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

হোপ ফোর এঞ্জেল হায়না মীংথোনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চিলদ্রেন হোম ফোর গার্লস থৌবাল, চিলদ্রেন হোম ফোর বোইজ শগোলবন্দ, চিলদ্রেন হোম ফোর বোইজ তেরা, দ্যুলালেন্দ চিলদ্রেন হোম অমদি গ্লোরি চিলদ্রেন হোম মোইরাংদগী অঙাং ২০০ রোম্না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ব্লু ৱিঙসকী থৌ পুবশিং অমদি মোদেলশিংনা চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিং অদুগা ইন্টরেক্সন তৌবতা নত্তনা চাকলেন অমা চামিন্নরগা মখোয়গী লাইরিক লাইশু তম্বদা মতেং ওইননবগীদমক ষ্টেস্নরি আইটেমশিং তেঙবাঙখি। তুংদা হোমগী অঙাংশিং অদুগীদমক অখন্নবা ম্যুজিকেল কন্সর্ট অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর আর কে রামেশ্বরসু দেইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ব্লু ৱিঙসগী ভাইস চেয়রমেন খুমন্থেম রাজেসনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা চিলদ্রেন হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিং অসিগী ৱাখল চাওথোকহন্নবা অমদি মখোয়বু অফবা মীশক অমমম ওইহন্ননবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু তেঙবাঙ ওইগদ্রা হায়দুনা ঙসিগী অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। অঙাংশিং অসিদা মপুক্নিং পেলহন্দুনা মশক নায়রবা মোদেলশিং অমদি আর্টিষ্টশিং উনবগী তাঞ্জা অমসু ঙসিগী থৌরম অসিনা ফঙহল্লি। মসিনা শোয়দনমক্কী অঙাংশিং অসিগী ৱাখল খজিক্তা ওইরবসু শুকশোয় শোয়দনা চাওথোকহনবা ঙম্লগনি হায়না খল্লি। মসিদসু নত্তনা ব্লু ৱিঙসকী থৌপুবশিং অমদি মোদেলশিংনা মখোয়গীদমক লৈরি। মখা তানসু ব্লু ৱিঙসনা চিলদ্রেন হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী য়াইফননবা পাঙবা য়াবা মতেংশিং লেপ্তুনা পাঙখিগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা চিলদ্রেন হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদসু তেঙবাঙনবা ব্লু ৱিঙসনা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

করিগী লৈরল্লি লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

লিরিসিষ্ট হুইদ্রোম নোরেন্না ইবা *করিগী লৈরল্লি* হায়না মীংথোনবা খনগৎলবা লিরিক্স ১০০ য়াওবা লিরিকেল পোইত্রি লাইরিক অমা ঙসি কোংবদা লৈবা মৈতৈ ময়েক হায়স্কুলগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙখ্রে।

লিরিকেল পোইত্রি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি বি এম মাইস্নাম্বনা প্রসিদেন্ট, শরুক্লইরবা লিরিসিষ্ট থাংজম কোরা, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি থাংজম ইবোপিশক অমসুং আই সর্জন ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন্না স্পেসল গেষ্টরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা নেসনেল ফিল্ম এৱার্দি ওন ফিল্ম ক্রিতিসিজম মেঘচন্দ্র কোংবমনা হায়খি, লিরিক হায়বসি শৈরেংগী অতোপ্পা ফোর্ম অমনি। শৈশকপশিংনা ঈশৈ ওইনা শক্লকপা মতমদদি লিরিক অসি অহিংবা অমগা পাঙ্খক ওইরকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজগী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোনদা মনা খুৎশিন্নখ্রে

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৪৭ কী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোন

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৪৭ কী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোনদা ঙসি হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা ক্যুইজগী মনা খুৎশিন্নখ্রে।

পাউ-চে অসিগী সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা ঙসি হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৪৭ কী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোনদা ক্যুইজগী মনা অদু খুৎশিন্নখিবনি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৪৭ কী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোন লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়দগী তোংব্রম তেন্দেন অমদি তোংব্রম সোরোজিনিগী মচানুপানি। মহাক বি এ সোসিওলোজি ওনর্সগী দিগ্রী পায়রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোন হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজগী তোঙান তোঙানবা ক্যুইজ নিপাল্লক্তা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ওইনা অমুরক ৱিন্নর ওইখ্রে।

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মণিপুরগী লিটরেচর অমসুং স্পোর্টস য়োকখৎনবগী পান্দমদা পায়খৎলক্লিবা ক্যুইজ চাংদম্নবা অসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরি হায়নসু জিবোন্না ফোঙদোক্লমখি।

বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবগী মায়োক্তা ব্রাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

খুরাই এ সীগী এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ক্বাথা লাই হরাওবগী লাই খুরুম্বা চৎপদা বোম পোকখায়হল্লকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং খুরাই লম্লোং কৈথেলদা মীয়াম্না ব্রাকৎ মীফম ফমখ্রে।

বি জে পি খুরাই মন্দল অমসুং খুরাই লম্লোং কৈথেল অপুনবা লুপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি খুরাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন জি রনবিরনা হায়খি, এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ক্বাথাগী লাই হরাওবগী লাই খুরুম্লুরবা মতুংদা থোক্লবদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌরকপা য়ানিংদে। ইপাৎনাৎ ইপুনাৎ কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং পাঙথোক্লিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু।

লম্লোং কৈথেল অপুনবা লুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে ধনপতিনা হায়খি, লাই হরাওবা চৎপদা বোম পোকখায়হনবা হায়বসি চুমদবনি। লোকচাওগী লম্বীসি আর্মিনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা মফম অমসুনি। মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা য়াম্না চেকশিন্না চেক তৌরিবা মফম অদুদা এম এল এনা চৎপা মতমদা বোম পোকখায়হল্লিবসি সিক্যুরিটিগী চেকশিন্দবা থৌওংনি। চীং অমসুং তম চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা পুন্না চাউখৎমীন্নবা হোৎনরক্লিবা মতম অসিদা করি পেন্দবা লৈবদগী বোম পোকখায়হনবগী থৌওং অসি চত্থরকপনো। পেন্দবা লৈরবসু লৈঙাক অসিদি মনুং মপান ফাওনবা য়াবা গভর্নমেন্টনি। পেন্দবা কয়া লৈরবসু ফোঙদোকপা য়াই। মীয়াম খঙনা ফোঙদোকপীয়ু। অসুম্না লাই হরাওবা মতমদা লাই খুরুম্বা চৎপদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌবগী থৌওংসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু।

বি জে পিগী খুরাই মন্দলগী ত্রেজরর এল রোমোবলানা হায়খি, অসিগুম্বা ভাইওলেন্স ওইবা থবক অসি মখা তানা চথবীগনু। করি মরমগীদমক এম এল এদা বোমগী এটেক তৌরিবনো হায়বদু খঙহনবীয়ু।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম দি রমিজুদ্দিন্না হায়খি, খুরাই এ সী অসি মীতৈ, মুসলিম অমসুং কবুই ফুরুপ্পা পুন্না খুন্দাবা মফম অমনি। লাই হরাওবগী লাই খুরুম্বা চৎপদা এম এল এদা বোমগী এটেক তৌবা অসি পেনেদ অমসুং থৌদোকসি মতুংদা থোকহনবীগনু। গাইখানিং পানমৈনা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি কন্দেম তৌই। মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়খি।

স্কুল চৎলো প্রোগ্রাম লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শোত্থরবা কম্যুনিটিশিংগী য়াইফ থৌরাং অমদি মহৈ মশিংগী হীরমশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা হোৎনরকখিবগী শরুক অমা ওইনা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা চত্থরকখিবা প্রোগ্রাম স্কুল চৎলো প্রোগ্রাম ঙসি পাওবিতেক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লোয়শিনখ্রে হায়না ফ্রন্ট অসিগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফ্রন্ট অসিনা চত্থরকপা স্কুল চৎলো প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা কাওন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৪, মৌলানা রাহুল আমিন, মেম্বর ৱার্দ নম্বর ৪, গ্রাম পঞ্চায়ট মুহমদ মনিরুদ্দিন অমসুং পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেটকী দিভলপমেন্ট ইন-চার্জ অতাউর রহমন্না প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

সী এমনা কংলা কন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই : লোইশঙ

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কংলা কন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংইহায়না কংলা লাইফমলেন ইপুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ খুনবুলৈমা ইপুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা ইবেন্ধৌ য়াইসনা থৌগল লোইশঙনা ফোঙদোরক্লি।

কুন্নমাথোইশুবা চহী চা চঙলকপদা লৈবাক অসিগী অহোংবা অমা থেংনরগনি হায়না লমদম অসিগী অরিবা লাইরিক শাগোন্নরিবা অহল-লমন কয়ানা হায়বীরকপা, তাকপীরকপা ৱারী-ৱাখোঙ কয়াগী পাউতাক অদুবু চিংশিন্দুনা য়েংবদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা নৌনা লৈঙাক শেমদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা নোংথোম্বম বিরেননা লৈবাক অসিগী পুৱারীগী ফিদা অমা ফংবগুম্না মীতৈশিংনা নোকচবা ঙম্লি হায়না কংলা লাইফমলেন ইপুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ খুনবুলৈমা ইপুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা ইবেন্ধৌ য়াইসনা থৌগল লোইশঙনা ফোঙদোরক্লি।

লোইশঙ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নামচা খুরাইহোংবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক অসিগী কষ্টমরি লো, হেরিটেজ কয়াবু মশক তাক্লদুনা ফজবা লৈঙাক্লোন অমা শেম্বদা চঙফম থোকপা মচা পুথোক্তুনা মীপুম খুদিং মান্নবা লৈঙাক পুথোকপদা শুদবা য়ারোই, শুবা নোম্নবা লম্বী কয়া য়াৎতুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু ইশা-ইশাগী খুৎশুমলনা ফংজরকপা ইনকমনা লায়না হিংবা ঙম্মী হায়বা লো অদু লৈঙাক্লোনদা হাপচিনবীদুনা মীতৈগী অনৌবা পাঙ্গল শেম্বদা শীজিন্নগদবা মচাক-মথুম কয়াবু চীফ মিনিষ্টর বিরেননা অখাক-অরাওগা লোয়ননা পুথোরকফম থোকই। লৈবাক অসিগী ময়াই তাংবল ওইরিবা ইবুধৌ পাখঙবগী খূভম কংলা অসি অদুক্কী মতিক ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা য়ুনিটিগী পার্ফোমেন্স শাগৎফমনি। কংলাগী লাইফম শেমগৎপদা ফোর্ট বোর্দনা শেমগৎপা য়ারোই, মমাঙদা কংলা শেমগৎনবনি হায়দুনা য়ামখ্রবা শেনফম থাধরকপদা কংজাই-ফাজাই তৌদুনা মাঙহনখিবা মীয়ামনা উহৌই। মতম শাংনা মরিশুবা অসাম রাইফলস লৈরিঙৈদগী কংলাবু লৈবাক অসিগী লাইফম অমনি, থৱায় পুম্নমক্কী তুংনফমনি হায়না থৌনী থৌগায় থা ১২গী মশীন পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। সিফাই লৌথোকখিবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা হন্না য়েংখিদ্রবা কংলা লাইফমলেন, কংলাগী মপূ ওইনা ফোর্ট বোর্দ শেমজিন্নদুনা অমুক্তা চঙলক্ত্রিবা মীওই থাজিন্দুনা শেল মাঙহনবা য়ানবা লম্লোং চত্থরকখিবা, কংলাবু লৈবাক অসিগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা শেন্নজরকপা মীওইশিংনা উপায় লৈতনা লৈহনখিবা, কংলা মনুংগী নীয়ম চৎন-কাঙলোনগী ওন্ন-তৈনবদা ওর্দর কয়া অর্কিওলোজি দিপার্টমেন্টনা থুপচিন্দুনা অসুক য়াম্না লুবা লাইফমলেনবু গভর্ণমেন্টনি তৌনিংবা তৌবদা কনা অমত্তনা য়েৎপা য়াদে হায়না তৌরক্লিবা পুম্নমক অসি অনৌবা লৈঙাক অসিনা ইনৌ নৌনা চিংখৎপীদুনা লাইফম ওইরিবা কংলাগী মশিল কয়াবু মরিক চুম্না চথবদা লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম উবা ফংগদৌরিবনি। লোয়ননা অরান-অহুই কয়া মাঙখিগদৌরিবনি। লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা চাওনা মায়োং য়াগদৌরিবা অমদি অমগা-অমগা নুংশিনবগী মরী চেৎকদৌরিবনি।

হায়নবা লৈরিবনি, ২০শুবা চহী চা য়ৌরকপদা নোংপোক থোঙ হাংলগনি। লাংওন লাংদাইনি। হৈত্রবদি চাওনা অমাঙ-অতা থেংনগনি তাক্লম্বা ৱাফম কয়াবু গভর্ণমেন্ট অসিনা পূক্নিং চিংশিন্দুনা নুংশিনবা লিচিং অমা পুরকপদা মতিক ময়াই লৈবা খুন্নাই অমগী শক্তম উগানি। ঙাঙবনা য়ারোই, থবকপু থবক ওইনা পাঙথোকমিন্নদুনা হিংবদা চঙবা পোৎলম কয়া লৈবাক অসিগী লৈহাওগা চানজবা মখল কয়াগী পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনদবা য়ারোই। অদুগুম্বা থবক অদু অতোপ্পা লৈঙাক্তগী মীওই কয়া চঙলক্লগা তৌগদবা নত্তে। লেপ্পা কাংবা লৈতনা শীনফম শীন্নাইফম পুথোক্তুনা গভর্ণমেন্টনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মশা-মশাগী খুৎশুমলনা হিংবা ঙম্বা শীম্বা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি।

পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরম কয়াদা কংলানা অচৌবা ওঠোরিটি ওইগদৌরিবনি। লৈবাক অসিগী কষ্টমরি লোবু ঙাক শেন্নবগীদমক নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু ইকায় খুম্নবা মথৌ তাবনা মণিপুরগী মীয়াম্না মাগী-মাগী কাঙলূপশিংগী লাইনিং-লাইশোল চথহন্দুনা/পূনশিনহন্দুনা অফ-ফত্তা কয়া নৈনহন্দুনা লৈবাক্কী নুংশিনবগী শক্তম চেশিনহন্নবা হোৎনবদা কংলাদা তোঙান-তোঙানবা কলচরগী পরম য়াৎতুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববুসু থৌদাং লৌহন্দুনা চৎমিন্নগদৌরিবনি।

কায়থখ্রবা মীতৈগী শক্লোন হঞ্জিনহন্দুনা ঐখোয়গী চৎন-লোনচৎ লেপথোক্লবা মতমগী খোঙলৈ পুৱারীদা হায়রল্লিবা মতম অদু য়ৌরক্লবদি ২১শুবা চহী চা য়ৌরকপদা অদুক্কী মতিক চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি। লৈঙাক্লোনগী পোলিটিক্স য়াওবা য়াদে। অরিবা লাইরিকমখৈ কৌখৎতুনা ইবুধৌ পাখঙবগী খূভম কংলা মনুংদা মীফম হৌখ্রবদি মচাক-মথুম অমত্তা ৱাৎতনা লাইগী থৌনী-থৌগাই পাঙথোক্তুনা মতিক ময়াই হাপ্তুনা পাঙথোক্কদবা মীফমনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।